# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 26-01-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১)  লৈবাক অসিনা ঙসি ৭৬ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালন থৌরম পাঙথোক্লি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা গেলেন্টরি এৱার্দ ৯৩ সু লাউথোকখ্রে।

২)  মনিপুরদসু ৭৬ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালন থৌরম পাঙথোক্কনি। মপুং ওইবা থৌরম ঐতিহাসিক ওইরবা ইম্ফালগী কংলাদা পাঙথোক্কনি।

অমসুং

৩)  রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- সংসদতা লৈবাক অমা মীখল অমগী বিল পুথোকখিবা অদুনা সরকার অসিগী অফবা লৈঙাক সাসনবু ময়েক শেংনা তাক্লি।

------

গনতন্ত্র ঃ   লৈবাক অসিনা ঙসি ৭৬ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালন থৌরম পাঙথোক্লি। নিউ দিল্লিগী কার্তাব্যা পার্কতা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ল্চিংদুনা মীয়ামা নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম পাঙথোক্কনি। মফম অদুদা পাঙথোকপা গনতন্ত্র দিবসকী পেরেদ অয়ুক পুং ১০ মখায়দা হৌরগা পুং ১ মখায়রোম চথগনি। ইন্দোনেসিয়াগী রাষ্ট্রপতি প্রাবোৱো সুবিয়ান্টোনা থৌরম অসিগী অথোইবা আতিথি ওইগনি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়- গনতন্ত্র দিবসকী পেরেদতসু লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা সংস্কৃতি অমদি লান্মীগী শক্তি উৎপা থোইদোক হেন্দোকপা অমা ওইগনি। পেরেদ অসিনা জনা ভাগিদারি অমসুং সংবিধান চৎনরকপা চহি ৭৫ মপুং ফারকপদসু অখন্নবা মীৎয়েং থল্লি। পেরেদ অদু নেসনেল ৱার

মেমোরিয়েলদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎলবা তুংদা হৌগনি। পেরেদ অদুদা আর্মদ ফোর্সেস, পেরা মিলিটরি ফোর্স, ঔজিলারি সিভিল ফোর্স, এন.সি.সি, এন.এস.এসকী কন্টিঞ্জেন্টশিংসু শরুক য়াগনি।

মনিপুরদসু নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম পাঙথোক্লি।

মপুং ওইবা থৌরম রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা ইম্ফালগী কংলাদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা রাজ্যপাল আজয়কুমার ভল্লানা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল পাইহনগনি। থৌরমদুদা রাজ্যপালনা তোঙান তোঙানবা পুলিস মেদলশিং পীগনি। মদুগী তুংদা রাজ্যপালনা মার্চ পাস পেরেদকী সলামি ওক্কনি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা ইম্ফালগী অহানবা মণিপুর রাইফলসকী পেরেদ গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না না মার্চ পাস পেরেদতা শরুক য়ারুবা কন্টিঞ্জেন্টশিংদা থাগৎ ৱাহৈ ফোংদোক্কনি।

অকাশবানি ইম্ফালদসু গনতন্ত্র দিবস পালন থৌরম হেদ ওফ ওফিস (দাইরেক্তর ইঞ্জিনিয়ারিং) এন. নন্দকুমারনা ভারতকী মচু অহুমগী ফিরাল পাইহনদুনা পাঙথোকখি।

মেসেজ (এল)ঃ লৈবাক অসিগী ৭৬ শুবা গনতন্ত্র দিবস পালন নুমিৎনা লাকপদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা, মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন, মন্ত্রিশিং য়াওনা লুচিংবা কয়ানা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপালনা হায়- নুমিৎ অসিনা লাকপদা ঐখোয় মশেল পুনশিন্নদুনা লৈবাক অসিবু হেন্না চাওখৎপা, মপাঙ্গল কনবা অমদি শান্তি লৈবা লমদম অমা ওইননবা হোৎনমিন্নরশি। মহাকা হায়- ভারত অসি মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংগী মরক্তা সাইন্স অমসুং টেকোলোজিল লমদা মাংজিল থাবা লৈবাক ওইরক্লি। মসি লৈবাক অসিগী নহাশিংগী থৌনা লিংজেলননি।

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না মহাক্কী পাউজলেদা হায়- মীয়ামা সংবিধান্না পীরিবা হকশিং মমুৎ তানা খঙলবা মতমদা নুমিৎ অসি পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক লৈগনি। মহাকা হায়- ভারতকী নাগরিকশিংদা পীরিবা হকশিং অসিনা ঐখোয়গী ইথৌ অমদি দাইত্ব নিংথিনা খঙহন্দুনা লৈবাক অসিবু হেন্না মশক থোকহল্লিবনি।

রাজ্যপাল (এল)ঃ  মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার এল. লোকেন্দ্র সিংহ্ অমদি রেজিষ্ট্রারনা ঙরাং রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা রাজ ভবনদা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা প্রোফেসার লোকেন্দ্রনা য়ুনিভর্সিতি অসিদা পায়খৎলিবা তোঙানবা তোঙানবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা পাউদমখি। মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী কনভোকেসন অমদি অতৈ মরী লৈনবা হিরম কয়াগী মতাংদসু রাজ্যপালগা খন্নখি।

জ্দিসিয়েল (এল)ঃ   মণিপুর জ্দিসিয়েল একাদমিনা অমানা- ইতা অমসুং শাথিগা খুৎশমদুনা নোংমগী ওইনা সেন্সিতাইজেসন অমসুং ওরিয়েন্তেসন প্রোগ্রাম অমা ঙরাং হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

টুৱার্দস ইনক্লুসিভ লিগেল সার্ভিসেস ফোর এল.জি.বি.টি.কিউ কম্ম্যুনিতিজ হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা শাথিগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্তর রন্ধোনি লাইরিকয়েংবমনা হায়- ত্রান্সজেন্দরশিংদা অনৌবা লো কয়াগা লোয়ননা লিগেল সার্ভিসশিং ফংহন্নবগী পান্দমদা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। ত্রান্সজেন্দরশিংনা থেংনরিবা ইসুশিং অসি নিংথিনা খঙহল্লবা মতমদা লিগেলগী ওইবা মতেং কয়া অসি ফংহনবা ঙমগনি। শাথিনসু মখোয়গী য়াইফনবগীদমক তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগা খুৎশমদুনা থবক কয়া পায়খৎলি।

রোড সেফতি (এল)ঃ  দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ফেরজোল অমদি দি.পি.ওনা শিন দুনা নেসনেল রোড সেফতি মন্থ অমদি বেতি বচাও, বেতি পরাওগী মতাংদা মীয়াম্বু ভান তাহনবগী থৌরম অমা পরবুংদা পাঙথোকখ্রে।

শান্তা (এল)ঃ   রিমসকী হান্নগী দাইরেক্তর ডাঃ এ. সান্তনা অন্ধ্র প্রদেশকী মঙ্গলাগিরিদা লৈবা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস)কী একজিক্যুতিভ দিরেক্তর ওইরগনি। হিরম অসিগী মতাংদা কেন্দ্রগী হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যার মন্ত্রালয়না চেরোল অমা থোকখ্রে। ডাঃ শান্তনা এইমস

মঙ্গলাগিরিগী একজিকুত্যিভ দিরেক্তর ওইরকপদা থৌনাউজম চাউবা মেমোরিয়েল চেরিটেবল ট্রষ্ট শিংজমৈনা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি। চেরোল অমদা ট্রষ্ট অসিনা হায়- মণিপুর মচা অমনা অসিগুম্বা পোষ্ট অমা পায়রকপা অসি চাওথোকচনিঙাইনি।

আরিয়ান ঃ আরিয়ান থিয়েটরগী লাইফ মেম্বর ৫২ অমসুং আর্টিষ্ট মেম্বর ৫ দা ঙরাং খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায় খুমখ্রে। ইম্ফালগী ৱাহেংবম লৈকাই য়ুমজাও লাইরেম্বী কম্যুনিতি হোলদা, থিয়েটর অসিগী প্রসিদেন্ট এ. শ্যামকৃষ্ণ শর্ম্মনা সভাপতি ওইদ্না পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা খুদোলপোৎশিং অদু লান্থোকখিবনি।

রাষ্ট্রপতি ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- সংসদতা লৈবাক অমা মীখল অমা হায়বা বিল পুথোকখিবা অদুনা সরকার অসিগী অফবা লৈঙাক সাসনবু ময়েক শেংনা তাক্লি। মহাকা হায়- লৈবাক অমা মীখল অমা হায়বা অসিনা লৈঙাক সাসনদা হেন্না মরা চেৎশিনহনগনি অমদি থৌশিল কয়া মপুং ফানা চৎনহনবদা মতেং ওইগনি।

গনতন্ত্র দিবসকী মাংওইননা জাতিগী মীয়ামদা পীখিবা মহাক্কী পাউজেলদা রাষ্ট্রপতিনা হায়- কন্সটিট্যুন্ট এসেমব্লিদা লৈবাক অসিগী মফম খুদিংমক্তগী কাংলুপ খুদিংমক্কী মীওইশিং য়াওরি। মহাকা হায়- মসিদা সোরোজিনি নাইদু, রাজকুমারি অমৃট কোর, সুচেতা কৃপালানি, হন্সবেন মহেতা অমসুং মালাতি চৌধুরিগুম্বা তোমথিল ওইরবা নুপী ১৫ য়াওখি।

রাষ্ট্রপতিনা হায়- নুপা নুপী থোং মান্নবগী ৱাখল্লোন মালেমগী মফম কয়াদা নিংথিনা ফাওনদ্রিঙৈদা ভারত্তদি লৈবাক অসিগী লাইবক লেপ্পদা নুপীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

রাষ্ট্রপতিনা মখা তানা হায়- গনতন্ত্র দিবস নুমিৎ অসি মীয়াম পুমমক্কা নুংঙাইরবা অমদি চাওথোকচনিঙাই ওইরবা নুমিৎনি। হৌখিবা চহি খরা অসিদা লৈবাক অসিগী শেল থুমগী গ্রোথকী চাং ৱাংখৎলক্লি হায়নসু মহাকা হায়খি।

মসিনা নহাশিংদা থবক পীবা ঙম্বতা নত্তনা লৌমী-শিন্নীশিংগী শেন্থোকসু লৈহল্লে।

গেলেন্টরি ঃ কুমশি চহিগী গনতন্ত্র দিবসকা মরী লৈননা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা আর্মদ ফোর্সেস অমসুং সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সেসকী পার্সোনেল ৯৩ দা গেলেন্টরি এৱার্দ পীবা য়াখ্রে। মীওই ১১ দি মশা লৈখিদ্রবা তুংদা মনা অসি ফংগদৌরি।

মনাশিং অদুগী মনুংদা কৃতি চক্র অনি, শৌরিয়া চক্র ১৪, বার য়াওবা সেনা মেদল (গেলেন্টরি) ১, সেনা মেদল ৬৬, নাউ সেনা মেদল ২ অমসুং বাইয়ু সেনা মেদল ৮ য়াওরি।

রাষ্ট্রপতিনা আর্মদ ফোর্সেস অমসুং অতৈ পার্সোনেলশিংগী দিফেন্স দেকোরেসন ৩০৫ সু পীবা য়াখ্রে।

রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা চহি অসিগী ওইনা পদ্মা এৱার্দ ১৩৯ সু পীবা য়াখ্রে। খ্বাইদগী ৱাংবা লৈবাক অসিগী সিভিল্লিয়ন এৱার্দ অসিদা পদ্মা ভি ভুসন, পদ্মা ভুসন অমসুং পদ্মা শ্রী য়াওরি। কুমশি চহিগী মনা ফংগদবশিংগী মনুংদা পদ্মা ভি ভুসন ৭, পদ্মা ভুসন ১৯ অমসুং পদ্মা শ্রী ১১৩ য়াওরি। মসিগী মনুংদা নুপী ২৩ য়াওরি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরদা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা ফাগৎলবা ড্রগশিং চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না মৈ থাদুনা মাংহনখিবা, ১৫ শুবা নেসনেল ভোতরস ডে পাঙথোকখিবা অমসুং নেসনেল গেমসতা য়ারুনবা শান্নরোইশিংদা য়াইফ পাউজেল পীবগী থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউনা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

সনালৈবাক পাউচেদা- সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাগৎখিবা ড্রগ কে.জি. ৩১৪ মৈ থাদুনা মাংহনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা কোতি ৩৯৯ হেনগী ড্রগশিং মৈ থাখে। ড্রগ

লল্লোনবা, পোপি থাবা লেপ্তে, লৈঙাকসু থিংবা লেপ্লোই হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন ওইরি।

পাউ অসি মণিপুর নিউজ, পোকফম, ঈচেল এক্সপ্রেস, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস অমসুং শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফম পাউচেদা ১৫ শুবা নেসনেল ভোতরস ডে পাঙথোকখ্রে, অনৌবা ভোতরশিংনা চুমা ভোৎ থাদরিবা মখৈ চাওখৎপা ঙমগনি হায়না চীফ সেক্রেটরি প্রসান্ট কুমারনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

নেসনেল গেমসতা শরুক য়াগদবা মণিপুর কন্টিঞ্জেন্ট লমথাখ্রে হায়বা পাউ ঈচেল এক্সপ্রেসকী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরদা অনিরক শুবা ওইনা নেসনেল গেমস পাঙথোকবা হোৎনরি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

মণিপুর নিউজ পাউচেদা নেসনেল গেমসতা গোল্ড মেদল লৌরকপশিং গভরমেন্টকী থবক পীবদা কেবিনেটনা ইনপ্রিন্সিপাল ওইনা  অয়াবা পীখ্রে হায়না সি.এমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন ওইরি।

মণিপুরগী শকাইরবা জগোইগী আর্টিষ্ট থিয়াম শুরজামুখিদা পদ্মা শ্রী পীরক্লে হায়বা পাউ অমা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- পুলিস মেদল লাউথোকপদা মণিপুরদগী পার্সোনেল ৮ য়াওরে হায়বা পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------